# মণিপুরী ফিল্মদা ক্রিটিকশিংনা লৌরিবা থৌদাং

থম্মোয় পাউদম | ও সি মৈরা



হৌজিক্কী মতমদা ক্রিটিসিজম হায়বসি য়াম্না মরুওইরক্লি। জর্নেলিজমগা ক্রিটিসিজমগী লৈনরিবা মরীসু হেন্না হেন্না চেৎশিল্লক্লি। লাইরিক নৈনবদগী হেন্দোক্লগা পাউ অমবু পাউ অমনা নৈনবা হৌরক্লবনি। মসিদগী অমুক হেন্দোক্লগা মীওইবনা মশামক নৈনবগী (সেল্ফ ক্রিটিসিজম) থবক হৌরক্লে। মশানা মশাবু নৈনজরিবা মীশিংবু অফবা মীনি হায়না লৌনরক্লে। তানফম অসি য়ৌরক্লবদা মণিপুরী ফিল্মগীদি মতিক চাবা ক্রিটিক মশীং য়াম্না লীক্লি হায়বা য়াই। অদুগা মণিপুরদা ক্রিটিক্কী এৱার্দ লৈরিবসিসু শুপ্লতগী ফিল্মখক্তনি। লৈবাক্কী থাক্তা ফিল্মগী লমদা বেষ্ট ক্রিটিক এৱার্দ ফংলবা আর কে বিদুর, ষ্টেটকী থাক্তা ফংলবা হেরোজিৎ নোংমাইথেম নীংশিংবা য়াই। অদুগা ফিল্ম হাবয়সি য়াম্না সেরিয়স ওইবা আর্ট অমনি। ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরম্বা ফিল্মনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টতা ওনশিনখিবসিসু ফিল্মগী মায় পাকপগী খোঙথাং অমনি। চাউখৎলবা লমশিংদা ফিল্ম পোলিসি লৈরিবসি অফবা খুদমনি।

নাকল অমরোমদা হায়রগনা ফিল্ম হায়বসি ৱারীগী মখা পোল্লি। ৱারী য়াওদবা ফিল্ম লৈতে। অদুনা ৱারী হায়বসি পল্লকপদা সাহিত্যগী মচলশিং পাক শন্না নৈনদবা য়ারক্তে। মতাংসিদা তরেৎশুবা মণিপুরগী ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী ওপন ফোরমদা ডা. মাখোলমনি মোংশাবনা হায়খিবা 'নোভেলিষ্টশিংসু ফিল্মদা চঙশিনবা মথৌ তাই' হায়বসি নীংশিংদবা ঙল্লক্তে। মসিগা লোয়ননা ঐখোয়না মালেমগী ফাউরবা নোভেল কয়াদগী ফিল্ম ওন্থোক্লরিবসিবু খঙবা তাই। পুন্নমকসিবু খঙহন উহনবিগদবদি অফবা ফিল্ম ক্রিটিকশিংননি। মণিপুরগী ফিল্ম তৌরিবশিংগী মীৎ শিংনবগীদমক্তা অফবা ফিল্ম ক্রিটিক কয়া থোরকপা ফৈ। ফিল্মগা মরী লৈনবা লাইরিক ফোঙবা ফৈ। য়াম্বেম তোম্বীগী 'সিনেমা সিনেমা' গী মফম পীবীদুনা মণিপুরদা নুপী ফিল্ম জর্নেলিষ্ট মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ওইহন্নিংলিবদি মতিক চাবা ফিল্মগী পাউমী মশীং য়াম্না চোংথোকপীরক্তুনা ফিল্মগী হেন্না ফনবা লম্বী তাকপীবদুনি। মতাংসিদা শক্লাইরবা নৈনরোয় ডা. লমাবম গোজেন্দ্রগী ৱাহৈ 'মীৎয়েং চুম্না য়েংদুনা নৈনবীবা ফিল্মদুগী মশক শেংনা খঙহনবীবা তঙাইফরক্তে। মপানগী পাউ-চে খরদা উৎলিবা মতম মতমদুদা য়েংবা য়াবা ফিল্মশিংদুগী ৱাহৈ খরদংনা মশক তাকপা, এষ্টরিক মার্কক্কী রেটিং অমা পীদুনা অফ-ফত্তগী চাং লেপ্পুনা খঙহল্লি। মখোয়না পীরিবদুগী মতুংইন্না ফিল্মদু য়েংলুবদা চপ চানা অদুম চুম্মী। তেল্লবসু তেন্না ফিল্ম রিভিয়ু তৌরক্লিবা নৈনরক্লিবশিং অদু ফিল্ম গ্রামার, ফিল্মগী মরমদা মুন্না খঙলবশিংনা তৌনরকপনিনা য়াম্না মরিক চুম্মী। মায়কৈ অসোমদা ঐখোয়না খোঙ থাংজিনবা তাই।' হায়বা ৱাহৈশিংসি হেক্তা কাম্থোক্লগা চৎকে হায়বদা ৱানা থোকই। অসিগুম্বা মতাং অসিদা মণিপুরী সিনেমাগীদমক লৈরিবা নৈনরোয়শিংগী লূপ অনী ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এন্দ ক্রিটিক এসোসিএসন অমসুং ক্রিটিক এসোসিএসন, মণিপুরগী মপাঙ্গল য়াম্না কনহন্নিংই।

মণিপুরদা প্রোফেসনেল ফিল্ম ক্রিটিক থোরক্তবগী মরম খরসু লৈরি। মরমশিংদুদি পাউচে অমদি চেফোঙদা ফিল্ম ক্রিটিক্কী চপ চাবা মফম (হাপ্পগী নীংতম্বা) লৈতবা, থবক্কা চান্নবা শেল পীবীদবা, ফিল্মগী অহেনবা লৌশিং তান্নবগী তান্না তিক্লফম লৈতবা, মৈ অমদি লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা অসিনচিংবনি। ফিল্ম নৈনরকপা মতমদদি মীৎয়েং অহুমদা নৈনবা য়াই। মদুদি অহানবদা, উৎলিবা ফিল্ম অদুগী সাহিত্যগী মগুন নৈনবা, অনীশুবদা ফিল্ম অদু উৎপদা মতিক চারৱা নৈনবা অমসুং অহুমশুবদা ফিল্ম অদুগা খুন্নাইগা কয়ামুক য়াম্না নকশিন্নরবগে হায়না য়েংবা অসিনি। ক্রিটিকশিংনা ফিল্ম অমা নৈনরকপদা, ফিল্ম অমদা চেনফম থোকপা, য়াওফম থোকপা মচাকশিংদি প্লোট, লমচৎ য়েকপা, দাইলোগ, লোন, পান্দম, লাইট, সাউন্দ, ম্যুজিক, কেমেরা, এদিটিং, ঈশৈ নোংমাইগী মথক্তা দিরেক্টরগী ট্রিটমেন্ট অদুনি। মতাং অসিদা মাঙদা থমগদবসি মরুওইনা কলা অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা তাঙ্কক অহুম অদুনি। মখোয় অদুদি (১) খল্লুদনা পোল্লকপা লৌশিংগী পাঙ্গল (ইন্ট্যুইসন) (২) পাঙথোকপা (ইগজিক্যুসন) অমসুং (৩) লান্থোকপা (প্রজেন্টসন) অসিনি। হায়রিবশিংসি য়েংলগা ফিল্ম অমা নৈননবা হোৎনবা তাই। নৈনবা হায়বসিদি শন্বল খাজিল্লগা থম্বা য়াবদি নত্তে। নৈনরোয়গীদি অহেনবা মনিংতম্বা অমদি অদুম্মক লৈফম থোকই। অদুবু নীংতম্বা লৈ হায়দুনসু হেঞ্জিন্না থাগৎপা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না শিথবদি তৌদবা ফৈ। য়েল্লো জর্নেলিজমকী মফম ক্রিটিকতদি লৈতে। অন ফেবেলেবল অমসুং ফেবেলেবলগী মতিক মঙনসু খরমখৈদি খঙলগা তুং-মাঙ য়েংনা হায়বা তাই। ঙাঙবা তাই। ফিল্ম অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা খুৎশু-খুৎলাইগী মরমদসু খরমখৈদি অফবা লৌশিং থম্বা তাই। 'আর্ট এন্দ রিয়েলিটি, ফিল্ম এন্দ রিয়েলিটি' হায়বা লৈরিবসি খঙনবা হোৎনফম থোকই।

স্ক্রপ্ট ইবা সিমোন বিউফোইনা হায়খি, 'ফিল্ম ইজ দিফরেন্ট মেদিয়ম' হায়না মসিনা তাক্লিবদি ফিল্ম হায়বসি শক্লোন য়াম্মী হায়বনি। চুম্মী ফিল্মদি শক্লোন য়াম্না য়াম্মী। অদুনা ফিল্ম নৈনবা হায়বসি অরায়বা কলা অমদি নত্তে। 'ক্রিটিসিজম' হায়বসে লায়না লৌবদা লানগনি। ৱাহৈ অসি ইহান হান্না জোন দ্রাইদেন (১৬৩১-১৭০০) না শীজিন্নবা হৌথি অহানবদদি ক্রিটিসিজম হায়রগা অশোয়বা থি-থিদুনা চৈববু খন্নরম্মী। মদুগী ৱাখলদু হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্তি ক্রিটিসিজম হায়রগা মীচঙ মীখায় নাইদনা ওবজেক্টিব ওইনা য়েংবা মীৎয়েংবু খঙনরে। অদুগা ফিল্মগী ইচম চম্বা পাউ খরা তম্লগসু ফিল্ম ক্রিটিক্কি হায়না লৌবদি লানগনি। অমরোমদসু ফিল্ম ক্রিটিকশিংগী সমস্যা কয়াসু লৈতবদি নত্তে। পুন্নমকসি ক্রিটিকশিংগী থবক অমসুং ফিরেপ্পা মফম মতমগী মতুংইন্না হোংখিগদবা ঙাক্তনি। ফিল্ম য়োকখৎপদা ক্রিটিক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়বসিদি লান্দে।

লৌশিং পুক্কৈ

# অহল ওইশিল্লক্লগা গাড়ী থৌহন্দ্রবদি হকচাং শোন্থরকই

চহী য়ামশিল্লক্লে হায়দুনা গাড়ী থৌবা হেক তোকহনবা মতমদা অহল ওইরবা মীওইশিংদগী হকচাং খংশোন শোন্থরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

হীরম অসিগী মতাংদা চথখিবা ষ্টদি ১৬ কী রিপোর্টশিং নৈনরবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, গাড়ী থৌবা পুমতোক তোকহনবা মতমদা অহলশিংগী হকচাং খংশোন শোন্থরকই। মরুওইনা ৱাখল খনবগী মওংদা অহোংবা কয়া লাকই। তৌবগীবুদি কা-হেন্না অহল ওইরবা মীওইশিংনা গাড়ী থৌবা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাইনি।



অহল ওইশিল্লক্লবা হায়বসিমক্তবু মীৎ উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা অচুম-অরান খনবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই অমসুং পূক্লিং শোন্থরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা গাড়ী থৌরিবা মশাখক নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংদসু খুদোংথিবা মায়োক্লহনবা য়াই। পুন্নমক অসিগী খল্লুরগা অহল ওইরবা মীওইশিংনা গাড়ী থৌবা তোক্লে। অদুবু গাড়ী থৌবা হেক তোকখিবগা পূক্লিং-ৱাখল অমসুং পাঙ্গল খংশোন শোন্থরকই।

ন্যুয়োর্ক সীটিগী কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরদা সেন্টর ফোর ইঞ্জ্যুরি ইপিদমি-ওলোজি এন্দ প্রিভেন্সনগী ফাওন্দং দিরেক্টর ওইনা লৈবা ডা. গুলহুৱা লি-না হায়খি, অহল ওইশিল্লক্লগা গাড়ী থৌবগী ৱাফম অসি য়াম্না লুবা ইস্যু অমনি। গাড়ী থৌহল্লবসু খুদোংথিনিংঙাই ওই। থৌবা তোকহল্লগনা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

মহাক্লা হায়খি, অহল ওইরবা মীওই খুদিংমক অশোয় অঙাক য়াওদনা গাড়ী থৌবা ঙম্নবগীদমক পাঙ্গল অমদি লৌশিং অনীমক মথৌ তাই। পাঙ্গল শোন্থরকপদগী অমসুং পূক্লিং লৌশিং হন্থরকপদগী মীওই কয়া গাড়ীগী ষ্টিয়ারিং থাদোকপা তারকই। অদুবু গাড়ী থৌবা হেক তোকখিবগা পাঙ্গল অমসুং পূক্লিং ৱাখল হন্থরকই।

মতম শাংনা গাড়ী থৌরল্লগা অহল ওইরে হায়দুনা ষ্টিয়ারিং থাদোকহনবা মতমদা খুন্নাইদগী লাপ্পা নাইতোম ইন্থোকপীবগা চপ মান্নবা ৱাখল অমা অহলশিংদা ফাওরকই। গাড়ী থৌবা ফাওবা ঙমশিল্লক্তে খল্লুবদা নুংঙাইতবা ৱাখল অমসু ফাওহল্লি। মসিদসু নত্তনা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং হন্থরকই। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা অমুক্কা হেন্না হকচাং শোন্থহল্লি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ অমেরিকান গেরিয়াট্রিক্স সোসাইটিগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। ষ্টদি অসিগী শরুক অমা ওইনা গাড়ী থৌবা তোকখ্রবা অহলশিং অমসুং হৌজিক গাড়ী থৌরিবা অহলশিংগী মরক্তা চাংদম্নদুনা পাঙথোকপা ষ্টদি ১৬ কী রিপোর্টশিং নৈনরম্মী।

রিপোর্টশিং অদু নৈনরবা মতুংদা কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরগী ডা. গুওহুৱানা হায়খি, অহল ওইরবা মীওইশিংনা গাড়ী থৌবা পুমতোক তোকপা মতমদা দিপ্রেসনগী রিস্ক শরুক অনীরোম হেনগৎলকই। হকচাং শোন্থরকপগা লোয়ননা কাউগনবগী চাংসু ৱাংই।

অমেরিকান ফেদরেসন ফোর এজিং রিছার্চকী স্পোক্সপার্সন ডা. মেরিয়ন বেটজনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্নদি অহল ওইরে হায়দুনা গাড়ী থৌবা তোকখ্রবা মীওইশিং হকচাং খংশোন শোন্থরক্তুনা চহী অহুম নৎত্রগা মঙাগী মনুংদা শিবা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদো স্কুল ওফ মেদিসিনদা ইমার্জেন্সি মেদিসিনগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইনা লৈবা ডা. মেরিয়ন বেটজনা মখা তানা হায়খি, অহল ওইরগা গাড়ী থৌবা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না মীওইবা খুন্নাইনা থাজনৈ। ৱাফম অসি অচুম্বনি। অহলশিংনা গাড়ী থৌবা মতমদা থৌরিবা মশামক নত্তনা অতোপ্পা মীওইদসু খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। অদুম ওইনমক অহল ওইরে হায়দুনা গাড়ী থৌহন্দবা মতমদা মীওই অমনা মায়োক্লগদবা খুদোংচাদবশিং অদুগী খল্লগা নাকল অনীমক্কী খুদোংচাগদবা মওংদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা অহলশিংবু মী চিনখৎলকপা মতম, অচিনবা লম্বী অমদি নুমীদাংগী মতমদা গাড়ী থৌহন্দ্রগা মতেক-ময়াদা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক থৌহনগদবনি।

বৃটিশ মেদিকেল জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চহী য়াল্লগা গাড়ী থৌবা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়দুনা গাড়ী থৌহন্দবগী মহুত্তা অহলশিংনা গাড়ী থৌবদা খুদোংথিবা থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপনা হেন্না মরুওই। মদুনা অহল ওইরবা মীওই অদুদসু কান্নবা পীবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওইদসু খুদোংথিবা মায়োক্ল হল্লোই।অমরোমদা, লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা মওংদা অহল ওইরবা মীওইশিংবু গাড়ী থৌবদা খুদোংথিবা থোকহন্দনবা রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা মথৌ তাই হায়না দবলিনগী ট্রিনিটি কোলেজদা গেরিয়াট্রিক এন্দ ষ্ট্রোক মেদিসিনগী কন্সলটেন্ট ফিজিসিয়ন ওইনা লৈবা ডা. দেসমন্দ ও'নেলনা ফোঙদোকখি।

# হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্‌টকী পোত্থোকশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা পূক্লিং চঙলক্লিবা কুমারজিৎ অমসুং বিসেস



মণিপুরগী নুপী মানবা নুপাশিংবু মতম অমদা তাথি-তাওইনা তৌনরল্লবসু হৌজিক্তি ৱাখল অদু পুঙহোং হোংখ্রে। নুপী মানবা নুপাশিংনা ঙসিদি থর্দ জেন্দর নৎত্রগা ট্রান্সজেন্দর হায়রগা থোইদোক হেন্দোক্ন খঙনরক্লে। মখোয়না লমদম অসিগী য়াইফগদবা থবক থৌওং কয়া লেপ্পা লৈতনা তৌরক্লি। মদুগী মনুংদা হৌখিবা জন্যুৱারি ৩০ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর হেন্দলুম এক্সপো অমসুং ফেসন পেরেদ (রেন্দেবো) ২০১৬ সু অমনি। ইস্ফাল বাইক্লাসিত্তা ট্রেদিসনেল ট্রেন্দনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এ কে মিরাবাই অমদি শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপুং অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

লমদমসিগী হেন্দলুমগী পোত্থোকশিং মপান লৈবাক্তা থাদোকখিনবগী পান্দমদা শিনবা থৌরম অদু লাইশ্রম কুমারজিৎ অমসুং বিসেস হুইরেম অনীনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা শিনখিবনি। লাইশ্রম কুমারজিৎ লমদম অসিদা লৈরিবা থর্দ জেন্দরশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশকনি। মহাক তাকয়েল খোংবান্দগীনি। লৈখিদ্রবা লাইশ্রম শরত অমসুং লৈখিদ্রবী লাইশ্রম ওংবী নেনৈগী মচানি। মেক-অপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থোইদোক হেন্দোক্লা লমদমসিগী মীয়াম্না শকখঙনরক্লিবা আর্টিষ্ট অমনি। মিস আর্ট ইন্দিয়াগী মেক-অপ দিরেক্টর ওইনা লৈরি। কষ্ট্যুম দিজাইনরসু ওইরি। পোৎলোই দিজাইন তৌবা অমসুং পোৎলোই মেকিংনা মহাক্কী শেন্থোক লম্বী ওইরি।

কুমারজিৎকা পুন্দুনা থবক তৌমিন্নরিবা বিসেস হুইরেম থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙনরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টনি। লীলাগী আর্টিষ্ট ওইবতা নত্তনা ফিল্মগী এক্টর অমা ওইনসু এক্ত তৌখ্রবা আর্টিষ্টনি। মহাক্লা কুমখিবা ফিল্ম অং *তামো* গী ঈশৈ থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙনরিবনি। ট্রান্সজেন্দরশিংগী ওইবা শকহেনবী চাংদম্নবদা কয়ারক হন্না মনা ফংখ্রবা মীশকনি। মিস টুরিজম ইন্দিয়া ২০১৪, মিস আর্ট ইন্দিয়া ২০১৫ দা শরুক য়াবতা নত্তনা মনা কয়াসু ফংলকখি। মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শিনবা শুমাং লীলাগী অথোই অহেন তান্নবদা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী মনাসু কুমজা ২০১৫ দা ফংখি। বেষ্ট জুরি মেন্সন এৱার্দসু কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকপা সিমলা ইন্টর্নেসনেল সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেলনা পীরকখি।

লাক্লিবা মার্চ থাদা দোন্নর মিনিষ্ট্রি, টেক্সটাইলস মিনিষ্ট্রি অমসুং আর্ট এন্দ কলচরনা পুন্না শিল্লগা বেঙ্গলোর অমসুং দিল্লিদা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌টকী প্রমোসন তৌনবগীদমক্তা চয়োল অমা চুপ্পা কে বি হায়না মিংথোনবা কুমারজিৎ লাইশ্রম অমসুং বিসেস হুইরেমনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা সো অমা পীননবা থৌরাং তৌরি। বিসেস হুইরেম শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগীনি। শক্লাইরবা আর্টিষ্ট হুইরেম মংলেমগী মচানি। কুমজা ১৯৮৯ দা তাইবঙদা খোঙদারকই। কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকপা ট্রান্সজেন্দর ব্যুটি কন্টেষ্টতা ফর্ষ্ট রন্নরস অপ তাখি। কুমজা ২০০০ দা পাঙথোকপা মিস য়েন্নিংথা, কুমজা ২০০৩ দা পাঙথোকপা মিস মাঞ্জা, কুমজা ২০০৪ দা পাঙথোকপা মিস ধনপ্যারি অমসুং কুমজা ২০০৫ দা পাঙথোকপা মিস তেন্সিদসু শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা মনা কয়া ফংখি। কুমজা ২০০৬ তা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকপা ফেসন সো অমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা অখন্নবা মনাসু ফংখি। বেষ্ট পার্ফোমেন্স হায়বা মিংথোন অসিসু কুমজা ২০০৭ তা ভেল্লরদা পাঙথোকপা ফেসন সো অমদগী ফংখি। কুমজা ২০০৮ দসু বেষ্ট পার্ফোমেন্সকী মনা ফংখি। তোঙান তোঙানবা মনা কয়ানা লৈতেংলবা বিসেস হুইরেম তুমীন্না লৈথোকপগী মহুত্তা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা চোংশিন্দুনা হোৎনরক্লি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকপা ২৪ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়রগী থৌরমদসু অখন্নবা শরুক য়াদুনা মহাক্লা পামজবা ৱাখল্লোনশিং মীয়ামদা ফোঙদোকখি। লাক্লিবা এপ্রিল ৩ দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা শিংজু ফেষ্টিবেল ২০১৬ কীদমক্তসু থর্দ জেন্দরশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌনবা হোৎনবদা বিসেস অমসুং কুমারজিৎনা মাঙজিল থাগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মতাং অসিদা কুমারজিৎনা হায়, মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম কনবা ঙম্নবগীদমক্তা উপাল কয়া থাদুনা হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগনি হায়খি।

# ইপানাৎ-ইপুনাৎকীদমক্তা চোংথোরক্লিবা থোকচোম থৌয়াংবা

*দিনেস উচিৱা*



থোকচোম থৌয়াংবা মীতৈ মণিপুর ইমাগী তাঙলবা মপারী অমদি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুর ইমাগী মপারী অমা ওইনা থৌয়াংববু ফংজবা ইমা মণিপুরগীসু লাইবক ফবনি হায়জনিংই। থৌয়াংবনা লমদম অসিগী নাৎ, কলচর অমদি লাইশোন-তীনশোন কয়াবু চাউখৎনবা হোৎনরিবা কয়া শিংথাবতনা ৱাৎলগনি। থোকচোম থৌয়াংবা মীতৈ কুমজা ১৯৬৬ কী জন্যুৱারি ১, যুমশকৈশা নুমীৎতা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা থোকচোম পৌসা মীতৈ অমদি থোকচোম ওংবী কেতুকী লৈমা অনীগী অনীশুবা মপারী ওইনা তাইবঙ খোঙদারকখি। থৌয়াংবা য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা লাইনিং-লাইশোনগী থবক্তা থৱায় য়াম্না য়াওরকখি। মসিদগী মপা পোকপা মথৌ তোন্সনানা থৌয়াংববু পণ্ডিত হায়না কৌরম্মী। থৌয়াংবনা মশাগী চহী ১৩ শুরকপা মতম মণিপুরদা মীতৈ ময়েক চৎনবা হৌদ্রিঙৈ মতমদুদা মীতৈ ময়েক্তা ইবা পুয়া পাবা ঙমখি। কুমজা ১৯৮৪-১৯৮৫ দা পোরোম্পাৎতা পাঙথোকখিবা মণিপুর পুন্সগী পুয়া পাবগী কম্পিটিসনদা থৌয়াংবনা অহানবা মনা ফংলকখি। থৌয়াংবা কলাগী লমদা সিল য়াম্বা মীশক অমসুনি। স্কুলগী, কোলেজগী অমদি ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা পাঙথোকপা মখল মথেলগী থৌরম কয়াদা মকোক মথং তারকখিবা মশীং খঙদনা লৈখ্রে।

পীক্লিঙৈ মতমদগী পামজরকখিবা ৱাখলগা লোয়ননা থৌয়াংবনা মশাগী চহী ১৫ চঙলকপা মতমদগী হৌরগা ময়াংলম্বম চন্দ্রসিং মঙাল, লাইরেনময়ুম মোধুচন্দ্র, চোংথাম জয় ঙানবা, হোংনেমজুম্বম চন্দ্রকালা অমদি অরাম্বম হৈরাংঙৌনচিংবা ওজা কয়াগী মফমদগী মীতৈগী অমাইবা অমনা অমসুং পীবা অমনা তৌগদবা খুদিংমক তমশিন্দুনা লাকখি। তোঙান তোঙানবা ওজা কয়াদগী তমজরকপগী মহয়না ঙসিদি থৌয়াংবা ইরমদম অসিগী ঈনাৎকী ওইবা থৌরমশিংদা চিথবা য়াদ্রবা মীয়াম্না শকখঙনরবা অমাইবা পীবা অমা হায়বদু ওইরে। কুমজা ২০১২ দা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মোরেদা নুমীৎ ৫ নিগী ওইবা গৌরিয়া ধর্ম্ম অমসুং সনামহী লাইনিংগী ৱার্কশোপতা থৌয়াংবু সনামহী লাইনিংগী লাইনিং-লাইশোনগী তাকপী তম্বীরুনবা মীওই অমা ওইনা খল্লদুনা মোরেদা চৎতুনা সনামহী লাইনিংগী লাইশোন-তীনশোন তাকপী তম্বীরুই। মীতৈ নেসনল ফ্রন্টনা শীনবা থৌরম কয়াদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা কয়ারক ঙাঙখ্রবা মীশক অমসুনি থৌয়াংবা। থৌয়াংবনা মমালোনবুসু অদুক্কী মতিক নুংশিজৈ অমদি লুম্না লৌজৈ। মহাক্লা মমালোনবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবগীদমক কুমজা ১৯৯৩ গী এপ্রিল ১৭ তা মীতৈলোনগীদমক ইহান হানবা ওইনা ইন্টর্নেসনল প্লেটফোর্মদা ৱা ঙাঙখি। কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পোকফম ওইরকখিবা থৌয়াংবা কুমজা ১৯৮৪ দা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা ময়ুম হোংলকখি।

থোকচোম থৌয়াংবা মীতৈ ঈনাৎকী ওইবা শিনফমদতা নত্তনা ফিল্মগী অচঙবা প্রদ্যুসর অমসুনি। মহাক্লা পুথোকখিবা ভিদিও ফিল্ম অমদি সেল্যুলোইদ ফিল্মগী মনুংদা *উরিৎ নাপঙবী* (মণিপুরী অহানবা ভিদিও ফিল্ম ১৯৮৭), *লাইথি লুবাক* (ভিদিও ফিল্ম ১৯৮৯), *খোম্থাং* (ইন্দিয়ন পেনোরামা সেলেক্সন ফংখিবা সেল্যুলোইদ ফিল্ম ১৯৯২), *ময়োফিগী মচা* (নেসনল এৱার্দ ফংখিবা সেল্যুলোইদ ফিল্ম ১৯৯৪), *লা* (বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি এৱার্দ ফংখিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ১৯৯৬), *থৱায়গী থৱায়* (সেল্যুলোইদ ফিল্ম ১৯৯৯) অমদি *নঙনা কপ্পা পকচদে* (সেল্যুলোইদ ফিল্ম ২০১৩) অসিনচিংবা মমিং পনবা য়াই। 'এম্পায়র এন্দ কিংদম' হায়বা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমবু নম্বা লোইদুনা এদিটিং কন্না তৌরি।

থৌয়াংবা অইবা অমসুনি। মীয়াম্বু করম্না মীৎ মায় পাঙহনগদগে হায়বসি মহাক্কী অচৌবা ৱাখলনি। মহাক মশামক্লা ইবশিং পুথোক্লগা ফোঙবতা নত্তনা অতোপ্পা অইবশিং খুৎই কয়া পুথোক্তুনা ফোঙবদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রবা মীশক অমসুনি। থৌয়াংবনা ফোঙখিবা লাইরিকশিংগী মরক্তা *পলেমগী পাউরোল, হুগী লায়েং, চহুই লৈরোং পম্পা, হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর, ইশুশা পুপু ৱারী লীরগে*, ডা. নরগী *নীংশিংবগী মীহুৎথোংদা, লমকোয় ৱারী, শক্লাইরবশিংগা উনবা* অমদি এম কে বিনোদিনীগী *ঈমাসি বিনোদিনীগী* অসিনচিংবা মমিং পনবা য়াই। হৌজিকসু থৌয়াংবা ইবা লেপত্রি অমদি মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদা পোত্থাবা লৈত্রি। মহাক্লা ইখিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা *ইশুশা পুপু ৱারী লীরগে* হায়রিবা ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক অসিদা কুমজা ২০১৫ গী ওইনা বাল সাহিত্য পুরস্কার অমদি সাহিত্য একাদেমীগী মনাসু ফংলকখি। অতেনবা মতমগী মনুংদা *মীতৈ পুয়া য়াংপিথিরেন, অপিসা থিরেন, য়াংপি, ইশুশা ইথৌ ৱারী লীরগে* অমদি ৱারীমচাগী লাইরিক অমগা ফোঙননবা থৌরাং তৌরি। থৌয়াংবগী মফমদগী মীয়ামদা কান্নগদবা লাইরিক কয়া খুদোল তম্লকখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্বা য়ারি।

তশেংনা থৌয়াংবগী ইমুং অসি কলাগী ইমুং অমনি হায়বসু য়াই। মহাকপু পোকপা পৌসা মীতৈ ঈশৈগী ওজানি, মনাওনুপা থৌঙম্বা মতম ঈশৈ অমদি মীতৈ ঈশৈগী শৈশকপনি। অদুগা মচানুপী লনসনাসু মীয়াম্না শকখঙনরক্লিবা চহী নৌরিবী মীতৈ ঈশৈগী শৈশকপীনি। থৌয়াংবনা পামজনা থাংলিবা খোঙথাং মহাক্কী লোয়নবী মনিলৈমনা মপুং ফানা পূক্লিং থৌগৎপীদুনা লাক্লি। মহাক্লা ঙসিগী থাক য়ৌবা ঙম্লক্লিবা অসিমক মহাক্কী লোয়নবীগী তেংবাঙদগীনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। মনাওনুপা থৌঙম্বগী লোয়নবী অশা লৈমসু মীতৈ ঈশৈগী শৈশকপী অমদি নুপী শেন্নবগী মমিং লৈরবী অমনি।

কলাগী লমদা থৌয়াংবা লমদম অসিগী তাঙলবা মীশক অমনি। কুমজা ২০১৫ দা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ৱারী লীবগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা এপ্রুভ তৌরকখি। কুমজা ২০১৬ তা লাইগী থৌরম তৌবগীদমক্তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা *অমাই পীবা* ফেল্লোশিপ পীরকখি। মবুক তম্পা, থবক অমা তৌবা মতমদা পূক্লিং চঙনা মচু তানা তৌজবা পাম্বা লাইরিক লাইশুগী লমদা গ্রেজুয়েট ফাওবগী লৌশিং তানশিলহৌরবা মীয়ামগীদমক পোক্লক্লবা থৌয়াংবা মতম শাংনা হিংদুনা মীয়ামগী থৌগল মতম শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইসনু।

# লাই য়েক্কনবা অঙাংশিংদি লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈগল্লি : প্রো. রতনকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৫ ঃ নুমীৎ ৮ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ব্রেন দ্রেন এক্সপোসিয়া নেসনল চিলদ্রেন পেন্টিং কেম্পকী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোকপা মিদ দ ষ্টার উনবগী থৌরমদা ফিল্ম এক্টর দেনি লিকমাবম অমসুং বোদি বিল্ডর শান্নরোয় খুন্দ্রাকপম প্রদিপকুমারগা উনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী দি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর ওইরিবা প্রোফেসার থৌনাওজম রতনকুমারসু শরুক য়াখি। রতনকুমারনা হায়খি, লৈবাক অসিগী অঙাংশিংগী ওইবা পেন্টিং কেম্প অমা পাঙথোকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। পাকথোক-চাউথোক্লা য়েংবা মীৎয়েংগী মখা পোন্না পাঙথোক্লিবা পেন্টিং কেম্প অসিনা অঙাংশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন ফাওদোক্লদুনা লৈকায় অমগা লৈকায় অমগগী মশক খঙদোকমিন্নবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। অসিগুম্বা পেন্টিং কেম্প অসি ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তারে। করিগুম্বা ইন্টর্নেসনল লেবেলদা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা য়ুনিভর্সিটিনা পাংবা য়াবা মতেং লৈরগদি পাংননবা শেম-শারি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অঙাংশিংগা উনদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অসিদা দীন ওফ সোসল সাইন্স প্রোফেসার ঈ বিজয়কুমারসু শরুক য়াখি। মহাক্লা হায়খি, মালেমদা লৈরিবা লাই য়েকপা আর্টিষ্টশিংনা অশাউবা হায়বসি খক উৎতে। অদুনা হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিংগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লক্লিবা মহৈরোয়শিংদা য়াওরিবা টেলেন্ট ময়াম অসি ঐখোয়না মরম চানা য়োকখৎমিন্নবগী মথৌ তারি হায়নসু ফোঙদোকখি।



ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রোফেসার এল লৈরেনসু লাক্তুনা শরুক য়াখি। মহাক্লা হায়খি, থৌরম অসিনা তাক্লিবদি অঙাংশিংগী ৱাখলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসিনি। নহারোল থৌদাং পাউ-চেগী এদিটর খোয়রোম লোয়ালাকপসু অঙাংশিংদা পূক্লিং থৌগৎপা অসিদা শরুক য়ারখি। কেম্প অসিদা মীওই কয়ানা অঙম্বা মতেং পাংনরক্লি। মদুগী মনুংদা হুইদ্রোম সুরেশকুমার, লোংজম ঙান্থোইনা তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী খুদোলপোৎ কয়া অঙাংশিংদা পীখি। হয়েং কেম্পকী তরেৎনি চনবা নুমীৎতা এক্টর শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাও অমসুং মহাক্কী মচানুপী শমজেৎশাবম সোনিয়ানা অঙাংশিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শাগদৌরি।